

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ওফিসার ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লিবা গবর্ণর ট্রোফি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী চহী ১৪ মখা নুপীমচাগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রবী এম এন সি সনারৈমা*

*১২শুবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডর্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জগী টাইটল লৌখ্রবা অহোংশাংবম ননাও সিংহ*

## সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে টি ৱাই দি এ, সাই আর এফ এ অমদি অমোফা (এ) মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এস এন এস)ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসিদগী খুমন লম্পাক আর্টিফিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ২৪ না নোক আওট বেসিসতা শরুক য়াদুনা অহানবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি ৱাই দি এ বিষ্ণুপুর, সাই আর এফ এ ইম্ফাল ৱেষ্ট, অমোফা একাদেমী বিষ্ণুপুর অমদি এস দব্লিয়ু সি ককচিং মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি টি ৱাই দি এ বিষ্ণুপুর অমদি বি এম এস সি তৌবুংখোক্লা শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা টি ৱাই দি এনা বি এম এস সিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা টি ৱাই দি এ বিষ্ণুপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১৮ জুলেনজিৎনা মেটচকী মিনট ৯ চৎপদা চনখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা টি ৱাই দি এ বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ১০ সনাথোইদা দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মিনট ৪৭ চৎপদা মপান থোকখি।

অদুগা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২ অভিনাস অমসুং বি এম এস সি তৌবুংখোক্কী জর্সি নম্বর ৯ গ্রিসন লাইতোঞ্জমদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি সাই আর এফ এ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি আই এফ সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা সাই আর এফ এনা আই এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সাই আর এফ এগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১২ নিংজান ঝিংখাইনা মিনট ৫৩ অমদি জর্সি নম্বর ১১ নাওরেম সঙ্করনা মেটচকী অপীবা মিনট লোইদুনা অহাপ্পা মিনট ৩ দা চনখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা অমোফা (এ) বিষ্ণুপুর অমদি এস ৱাই সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শান্নখিবা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা অমোফা (এ) না এস ৱাই সিবু য়াম্না লাকচনা গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা অমোফা (এ) গী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ অব্দুল কলামনা মিনট ১১, জর্সি নম্বর ১৩ রাজনা মিনট ১৫, জর্সি নম্বর ৩ ন্যুটোননা মিনট ১৭ অমদি জর্সি নম্বর ১৭ সিদ্ধারথানা মিনট ৩২ দা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ২০ আশ্বিনিকুমারনা মিনট ৪৯ অমদি জর্সি নম্বর ৬ নরেসনা মিনট ৫৩ দা চনখি।

মায়থিরবা এস ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ বিকাসনা মিনট ৪৬ চৎপদা চনখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা অমোফা (এ) গী জর্সি নম্বর ৭ অব্দুল কলামদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এস দব্লিয়ু সি ককচিং অমদি বি য়ু সি চুড়াচান্দপুরনা শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দদা এস দব্লিয়ু সিনা বি য়ু সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস দব্লিয়ু সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ টি ঐচ নোংদম্বনা মিনট ৪ অমদি জর্সি নম্বর ১৪ য়ু অভিনাসনা মিনট ৬ তা চনখি। মায়থিরবা বি য়ু সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৫ সাংবিয়াকনা মিনট ২৫ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা এস দব্লিয়ু সিগী জর্সি নম্বর ২০ এ কে লমঙানবা অমদি বি য়ু সিগী জর্সি নম্বর ৬ থাংথানখুমদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতা পি ৱাই এ অমদি কে আই ৱাই সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এস এন এস)ঃ*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২১ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা চখরকপা মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ নীংশিং সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯–২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি ৱাই এ কাইরং অমদি কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাও মায় পাকখ্রে।



লীগ অসিদা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওনা মেটচ ৬ শান্নখিবদা মেটচ ৫ মায় পাক্লগা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা লীগ টেবলগী মকোক্তা লৈদুনা ৱিন্নর ওইবগী লম্বী নকশিনখ্রে।

ক্ষেত্রিগাওগী অবা গ্রাউন্দদা লীগ অসিগী ১৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসি পি ৱাই এ কাইরং অমদি উপা কিয়ামগৈনা শান্নখিবা মেটচতা পি ৱাই এ কাইরংনা উপা কিয়ামগৈবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী পি ৱাই এ কাইরংনা অচৎপা থাজবা অমগা শান্নরক্তুনা উপা কিয়ামগৈবু লাকশিন্না শান্নদুনা মেটচকী মিনট ১০ চৎপদা পি ৱাই এ কাইরংগী জর্সি নম্বর ৬ অজিমুদ্দিননা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুংদসু টিম অসিনা চাং নাইনা তকশিল্লক্তুনা উপা কিয়ামগৈগী দিফেন্দরশিংদা কয়ারক হন্না মীপায়বা পোকহন্দুনা মেটচকী মিনট ১৮ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ দব্লিয়ু রোসন্না টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুংগী মিনট ৫ কান্নরগা ২৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৯ অসদলাগনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৪৬ চৎপদা পি ৱাই এ কাইরংগী জর্সি নম্বর ১০ দব্লিয়ু রোসন্না মহাক্কীনা অনীশুবা অদুগা টিমগীনা মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুম্ফম অদু থোনখি।

মেটচ অসিদা পি ৱাই এ কাইরংগী জর্সি নম্বর ৮ কে ইবোতোম্বা, জর্সি নম্বর ১২ ইসারা খান অমদি উপা কিয়ামগৈগী জর্সি নম্বর ১২ অবুংদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে ব্রোজেন, কে অজিৎ, এন অমরজিৎ অমদি ৱাই ইঙোবীনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোথ ওফিসিয়েল ওইনা মেটচ কন্দক্ট তৌখি।

লীগ অসিগী ১৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাও অমদি ৱাই ও এস সি খুরাই কোন্সম লৈকাইনা শান্নখিবা মেটচতা কে আই ৱাই সিনা ৱাই ও এস সিবু ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে আই ৱাই সিনা মায় পাক্লবদি লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইবগী থাজবা ৱাংনা লৈদুনা টিম অসিনা শান্নবা হৌরকপদগী মখোয়গী মপাঙ্গল চপ চানা ফুদোরক্তুনা ৱাই ও এস সিবু লাকশিন্না শান্নখি।

মেটচকী মিনট ৭ চৎপদা কে আই ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১৯ পাটচানা খাইরকপা বোল অমদা টিমগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি জানিসনা নীংথিনা শমজিল্লগা ৱাই ও এস সিগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

মেটচ অসি ৱাই হেমন্ত, রিংকাহাও, এল রাজা অমদি কে অজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোথ ওফিসিয়েল ওইনা মেটচ কন্দক্ট তৌখি।

## ৩০শুবা ষ্টেট লেবেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ হৌখ্রে




*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এস এন এস)ঃ*

হুয়েল লাংলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুর অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসন্না পুন্না শীন্দুনা ঙসিদগী য়ুনিট ২৮ দগী লাকপা নুপা শান্নরোই ২২৬ অমদি নুপী শান্নরোই ১০৯ পুন্না শান্নরোই ৩৩৫ না শরুক য়াদুনা উখ্রুলগী হুংপুংদা লৈবা বাস্কি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ৩০শুবা ষ্টেট থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা, খা মণিপুর থাঙ–তা একাদেমীগী শিন্তাকপুরেল য়ুম্নাম অমুমচা সিংহ, হুয়েল লাংলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐস প্রেমকুমার অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি ৱোলঙম নিংশেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা সব–জুনিয়র বোইজ ফুন্নবা অনীশুবগী কেজি ২১ গী কাঙলূপ্তা ঐচ রিওনেলনা অহানবা, কাইকু লাইশ্রমনা অনীশুবা অমদি মালেমঙানবনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ২৫ গী কাঙলূপ্তা ৱাই পাথৌ সিংহনা অহানবা , এন স্রিনিভাসনা অনীশুবা অমদি অলবর্ট এম ঐচনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ২৯গী কাঙলূপ্তা কে ঐচ অথোইবা সিংহনা অহানবা, এন রাজেস সিংহনা অনীশুবা অমদি ঐচ য়াঙবা সিংহনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৩৩ গী কাঙলূপ্তা কে ঐচ মৈরাবা মৈতৈনা অহানবা অমদি টি ঐচ লনচংবনা অনীশুবা তাখি।

## অনীশুবা ইনভাইটেসন জিমনাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এস এন এস)ঃ*

ওল মণিপুর জিমনাষ্টিক এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর জিমনাষ্টিক পেরেন্ট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অসামগী লাকপা শান্নরোই য়াওনা পুন্না শান্নরোই ৮১ না শরুক য়াদুনা অনীশুবা ইনভাইটেসন জিমনাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচা চহী ৮ মখাগী ফ্লোর এক্সসরসাইজদা প্রিতি নাওরেম্না অহানবা, মেমি চনুনা অনীশুবা, অরাধিয়া অমদি অসামগী লিম্থোইঙানবীনা অহুমশুবা তাখি।

চহী ১০ মখাগীদা গ্রেসমি পাঙম্বমনা অহানবা, সনালৈকানা অনীশুবা, লিম্থোই অমদি অসামগী মোনামী দাসনা অহুমশুবা তাখি। চহী ১২ মখাগী বোল্টিং টেবল অমদি বেলেন্সিং বিমদা ওইনাম বন্দনানা অহানবা তাখি।

চহী ১৬ মখাগী বোল্টিং টেবলদা হুইরেম জেসিকানা অহানবা, বিবিয়ানা পামেনা অনীশুবা অমদি নিসাসোনা অহুমশুবা তাখি। চহী ১৬ মখাগী বেলেন্সিং বিমদা বিবিয়ানা পামেনা অহানবা তাখি।

নুপামচা চহী ৮ মখাগী ফ্লোর এক্সসরসাইজদা মনিখোম্বনা অহানবা, অসামগী হিরোম বোমসন্না অনীশুবা অমদি নায়ন বোরানা অহুমশুবা তাখি। চহী ১০ মখাগীদা চীংখৈঙানবনা অহানবা, অসামগী সত্রাধ্রুনা অনীশুবা অমদি লোংজম লনচেনবনা অহুমশুবা তাখি। চহী ১২ মখাগীদা পিটরনা অহানবা তাখি।

চহী ১২ মখাগী বোল্টিং টেবল, হোরাইজেন্টেল বার, পেরেরেল বার অমদি রোমান রিংদা অবিনাসনা অহানবা তাখি।

## ন্যুটোননা মিষ্টর বিষ্ণুপুরগী টাইটল লৌখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এস এন এস)ঃ*

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসি নম্বোল বজার মখা কম্যুনিটি হোলদা য়ুনিট ৪ দগী লাকপা বোদি বিল্ডর ১৫ না শরুক য়াদুনা ১২শুবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডিং কম্পিটিসন ২০১৯ পাঙথোকখ্রে।




পাঙথোকখিবা বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্ট অসিদা সেনিয়রগী কাঙলূপ্তা হার্দ কোর মেজোর খুলগী নিংথৌজম ন্যুটোন মৈতৈনা অহানবা তাখি। সুবোল ফিটনেষ্ট জিমগী মুতুম সঞ্জিৎ অমদি সলাম তোমচানা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

মেন’স ফিটনেষ্টতা বিষ্ণু জিমগী খোমদ্রাম সিবানন্দ সিংহনা অহানবা তাখি। সুবোল ফিটনেষ্ট জিম ওইনামগী মুতুম সঞ্জিৎনা অনীশুবা অমদি এন এফ সি নম্বোলগী লাইশ্রম য়াইফবা সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা সুবোল ফিটনেষ্ট জিম ওইনামগী সাইখোম শ্যামসাদ মৈতৈনা অহানবা তাখি। মাষ্টরগী কাঙলূপ্তা সুবোল ফিটনেষ্ট জিমগী সলাম তোমচা সিংহনা অহানবা তাখি। ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জদা বিষ্ণু জিমগী অহোংশাংবম ননাও সিংহনা অহানবা পোজিসন তাখি।

## ৱাই এ সি মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এস এন এস)ঃ*

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৮ দগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চখরকপা ১৬শুবা এল সঙ্গিতা দেবী নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই এ সি য়াইস্কুল অমদি ৱাফা ৱাঙ্গৈই মায় পাকখ্রে।

১৮শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা ৱাই এ সি য়াইস্কুলনা থাও থাংমৈবন্দবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। ৱাই এ সি য়াইস্কুলগী গোলশিং অদু নাওবনা মিনট ১৯ অমদি অরুনকুমারনা মিনট ২৯ দা চনখি।

১৯শুবা মেটচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা ৱাফা ৱাঙ্গৈইনা এস সি কে কোদোম্পোকপীবু য়াম্না লাকচনা গোল ১৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা টেজকুমারনা ৱাফা ৱাঙ্গৈইগী মায়কৈদগী গোল ৫ চনখি।

## গভর্ণর ট্রোফি কেস প্রাইজ টেন্নিস টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (এস এন এস)ঃ*

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১২ ফাওবা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ওফিসার্স ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা চহী ১০ মখা নুপামচাগী শান্নরোই ৮, চহী ১২ মখাগী নুপামচাগী শান্নরোই ৮ অমদি চহী ১৪ মখা নুপীমচাগী শান্নরোই ৯ শরুক য়াদুনা ১৮শুবা গভর্ণর্স ট্রোফি কেস প্রাইজ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

চহী ১০ মখা নুপামচা সিঙ্গলসকী গ্রুপ ‘বি’ দা জোসুৱা থিয়াম অমদি লনচেনবা মাইবম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। চহী ১০ মখাগী গ্রুপ ‘এ’ গী শান্নখিবা মেটচশিংদা জেসন ৱাংখেম, সোহাম কৈশাম অমদি চিরোম খাংবা মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীখ্রে।

চহী ১২ মখা নুপামচা সিঙ্গলসকী গ্রুপ ‘বি’ দা কিরনজিৎ য়ুম্নাম জেসুৱা থিয়াম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। চহী কাঙলূপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী মেটচশিংদা ধনরাজ সাইখোম অমদি সোহাম কৈশাম্না মখোয়–মখোয়গী লম্বাবু মায়থিবা পীখ্রে।

চহী ১৪ মখা নুপীমচা সিঙ্গলসকী গ্রুপ ‘বি’ দা পুজা সাইখোম অমদি এম এন সি সনারৈমা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। পুজা সাইখোম্না এম এন সি সনারৈমা, মাধুস্রি ঐচ অমদি মাক্সিলা চিরোম্বু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি। অদুগা এম এন সি সনারৈমনা মাধুস্রি ঐচ অমদি মেক্সিলা চিরোম্বু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

কাঙলূপ অসিগী গ্রুপ ‘এ’ গীদা য়ুম্নাম থোইবী অমদি লাইশ্রম নন্দনি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। য়ুম্নাম থোইবীনা লাইশ্রম নন্দনি, জি অর্নিকা শর্ম্মা, বর্নালি সাইখোম অমদি দাইনা পাখোংটেবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি। অদুগা লাইশ্রম নন্দনিনা বর্নালি সাইখোম, দাইনা পাখোংটে অমদি জি অর্নিকা শর্ম্মবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

## লিভরপুলনা নোরৱিচ সিটিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সিজন অসিগী অহৌবা মেটচতা লিভরপুলনা নোরৱিচ সিটিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসি হেক হৌবদগী লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা লাকখি। মেটচকী ৭শুবা মিনটতা নোরৱিচ সিটিগী শান্নরোই গ্রান্ট হেনলিনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা লিভরপুলনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা লিভরপুলদা শরুক য়ারিবা ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালাহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী ২৮শুবা মিনটতা লিভরপুলগী অতোপ্পা শান্নরোই ভিরজিল ভান দিজকনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা নোরৱিচ সিটিগী মায়কৈদা এটেক লেপ্পা লৈতনা চখদুনা প্রেসর পীদুনা লাকখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৩ ৱাৎলিঙৈদা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা দিভোক ওরিজিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা নোরৱিচ সিটিগী শান্নরোই টিমু পুক্কীনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু লিভরপুলরনা নোরৱিচ সিটিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা মপুং ওইবা পোইন্ট ৩ ফংখি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচ অসিদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই রাহিম ষ্টরলিংনা হেটট্রিক গোল চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা গাব্রিয়েল জিজসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। রাহিম ষ্টরলিংনা মেটচকী ৫১, ৭৫ অমদি ৯০শুবা মিনটতা গোল অহুম চনবা ঙমখি। মেঞ্চেষ্টর সিটিগী অতোপ্পা গোল অমা অদুনা মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা টিম অসিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সর্জিও এগুইরোনা চন্দুনা মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদপু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

## নুপাগী কাঙলূপ্তা স্পেনগী রাফেল নদাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, নুপীগী কাঙলূপ্তা জপানগী ওসাকা মায়থিহৌরে

*মোন্ট্রিয়েল, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সি)ঃ*

কানাদাগী সিটি মোন্ট্রিয়েল অমদি টোরোন্টোদা চখরিবা রোজর্স কপ্তা স্পেনগী রাফেল নদাল মায় পাক্তুনা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা জপানগী নাওমী ওসাকা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

রোজর্স কপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ৭শুবা সিদেদ ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনিবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২–৬, ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা রুশিয়াগী শান্নরোই অনী ৬শুবা সিদেদ কারেন খাচানোভ অমদি ৮শুবা সিদেদ দানিল মেদভেদেভ শান্নরগনি।

৬শুবা সিদেদ কারেন খাচানোভনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ জমর্নিগী আলেকজেন্দের জ্বেরেভপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা রুশিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ৮শুবা সিদেদ দানিল মেদভেদেভনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু য়াম্না লায়না ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকা ৮শুবা সিদেদ য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসকী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা ৩–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌরে।

য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা সেমি ফাইনেলদা চেক রিপব্লিক্কী মেরি বোজকোভাগা শান্নরগনি। বোজকোভানা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ৬–৪ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা হালেপ শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী চেক রিপব্লিক্কী মেরি মোজকোভা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক্কী শান্নরোই কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু অমদি য়ু এসকী সোফিয়া কেনিন শান্নরগনি।

কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ৬–০, ২–৬, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

য়ু এসকী শান্নরোই সোফিয়া কেনিননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৬শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৬(৭–২), ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভ মখোয়গা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল পেয়র ফ্রান্সকী বেনোট পাইরে অমদি স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা শান্নবা লাক্তবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ২৪৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | C | U | T | | H | U | T | C | H | | S | E | C | T |
| U | R | S | A | | E | N | U | R | E | | H | A | L | O |
| D | E | A | N | | A | T | T | A | R | | I | R | O | N |
| D | A | N | G | E | R | O | U | S | M | I | N | D | S | |
| E | S | C | O | R | T | | | H | E | N | | R | U | G |
| N | E | E | | R | I | L | E | | S | U | T | U | R | E |
| | | | | | L | O | R | I | | R | O | M | E | O |
| | R | I | S | K | Y | B | U | S | I | N | E | S | S | |
| R | A | N | T | O | | O | P | E | N | | | | | |
| E | N | S | U | R | E | | T | E | D | S | | K | O | D |
| D | S | T | | E | R | A | | | U | S | T | O | U | R |
| | H | A | Z | A | R | D | O | U | S | W | A | S | T | E |
| M | O | N | O | | A | M | U | S | T | | C | O | R | A |
| A | R | C | O | | T | A | S | E | R | | O | V | U | M |
| I | T | E | M | | A | N | T | S | Y | | S | O | N | Y |